
থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# পাপীশিংগী অনৌবা যুগ




পাপ হায়বসি করিনো? ঐখোয়গী ঈরোন নৎত্রবসু, ঈরোন ওইনা শীজিন্নরবা ৱাহৈ অমনি পাপ! ইংরাজিদা 'সিন'। মীতৈলোনগী চানবা ৱাহৈ অমা থিবা তারবা 'ইরাল' নৎত্রগা 'মরাল' হায়বা তাবরা? তশেংবদি মদুসু নত্তে। ধর্ম্মগী য়াথং থুগায়বা, লৈপাক্কী চৎনলোন ঙাক্তবা, তৌহৈদবা অমা তৌরুবা ... অসিনচিংবা থবকশিং অসি পাপ হায়বদুগী মনুংচনবা থবকশিংনি। অসিগুম্বা থবক তৌরুবা মীশক অদুবু কৌই পাপী। পাপী হায়বসি অফবা মী নত্তে। হায়নৈ পাপ লঙশিন্দবা মী লৈতে। হায়বদি, মীওইবা খুদিংমক পাপীনি। অদু ওইরবদি, মীওইবা কৌবা থৱায় পানবসিবু শেল্লিবা লাই, ঈশ্বর কৌবা মহাক্তসু পাপী ওইবা তাবরা? নৎত্রবদি, পাপী হায়বদু নত্তবা, পাপ হায়বদু লঙশিন্দবা মীওইবা অমত্তা ওইরবসু পোকহল্লমগদবনি। মহাক্ৰা নৎত্রগনা, পাপ হায়বা থবক্তু লৈহল্লোইদবনি মালেমদা।

মতাংসিদদনি ঐহাক্না লাই হায়বসি মীওইবগী খুৎশেমনি হায়বা অর্গ্যুমেন্ত (মরৈ) অসি কন্না য়ানিংলক্লিবা। লাই করিনো? শেন্বীবা মপু হায়বা অমা লৈ হায়বসি কৈদৌনুংদা খল্লরোইদবা, শা-ঙা, উচেক-ৱায়াগুম ৱাখল খনবা হৈরমদবা মীওইবনা ৱাখল খনবা হৈরকঙৈ, শা-ঙাগী পুন্সিদগী তোঙানবা পুন্সি অমা শেমগৎলকঙৈদগী, ৱাখল হেন্না মরা তাবা মীওইবা খরা অদুনা 'পুন্সিসিদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা' (দ্যুজ এন্দ দোন্তস) ময়াম অমা শেল্লকই, তৌরোইদবা থবক্তুনা 'পাপ', তৌগদবা থবক্তুনা 'পুন্য' মীংথোল্লকই। অদুগা, হায়রকই- মখোয় লাইগী মচানি, মখোয়গী য়াথং ময়ামদু 'লাইমক্কী য়াথংনি'।

চহী চা কয়াসিদা অদুগুম্বা লাইগী য়াথং মশীং থীবা ঙমদনা শেমগৎলকখ্রে তাইবংসিদা। মীরোল অমমদগী অমদা পাথাং পুথাং থঙথরকপনা ঈকোকসিদা চূশিনখি - ঐখোয় পাপী ঙাক্তনি।

পাপ অদু কোক্লবা লাই মাবু নীংদৌনি। লাইগী মনাক নক্লবা, লাইগী মচা ওইবনা পীরম্বা য়াথং ইনেদীনি। তৌহৈদবা তৌরুরসু, পাপ কয়া লঙলুরসু - মঙোন্দবু চঙজরবা, পাপ অদু কোক্লনি- থাজবা অসি লৈবনা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী মাগী মীংখৈ শোল্লগা, মঙোন্দা মকোক নোল্লগা - ফত্তে খঙলবা তৌহৈদবা থবক কয়া লেপ্তুনা তৌই তাইবং-মী। অদুগসু অমুক হায়, 'পাপ'তুবুদি তূক্কৎচৌ, পাপীশিংবুদি নুংশিয়ু। পাপীশিংবু শেল্লম্বা, পাপনি হায়রিবা থবকশিংদুবু হৌদোক্লম্বা ঈশ্বর মানা হায়রম্মী হায়দুনা পাউজেল অমসু পীরম্মী ...' লেপ্তুনা চত্থরিবা, লোইনাইদ্রবা তাইবংসিগী মীরোল কয়াদা ধর্ম্মনা মরায় চায়থরক্লবা, পাপীশিংনা খুনলিংবা খুন্নাই অমা ওইরক্লবা, অদুগুম্বা মীরোলদুদা সাধু অমগী শক্তম লৌ, মী ওইনা শায়োল্লগা পাপীশিংবু লোইশিল্লগা ধর্ম্মগী য়ূমফম থোল্লম্নবা ঐহাক অমুক শায়োল্লক্কনি'...।

অসিগুম্বা ৱাহৈশিংসিনা ৱাখল খনবা মীওইববু ৱাখল ঈপাক্তা লংশিল্লি - মীওইবা কৌবা জিবশিবু নুংতি নুমিৎ খুদিংগী লঙশিল্লিবা, ঐখোয়বু পাপী ওইহল্লিবা থবকশিংদু করিনো? খনবমখৈ খল্লুরগা, পাপ নত্তবা করম্বা থবকপু লৈবগে - মীওইবা কৌবা জিবসিনা তৌরিবা! ৱাদনা নুংঙাইনিংবা ৱাখল, শুদনা মরল পৈনীংবা, খিত্তং শুরগা অহেনবা খুৎশুমল ফংনীংবা ... অসিনচিংবা ৱাখল লীচিং অসিমক পাপ হায়বদুগী হৌফমনি। থবক ওইনা তৌদ্রসু ৱাখলসিবু খল্লবা, মহাক পাপী ওইরবনি। মরমদি, মীওইবনা তৌরিবা থবক খুদিংমক ৱাখলনা মাঙওইনবনি।

নুংঙাইবা পামদবা মীওইববু লৈবরা? অৱাবতা ইশরুক ওইজগে- কনানসু নীংলম্লোই। অদুবু, ইশা নুংঙাইনবইদমক্তা তৌরিবা থবক থৌরম কয়াদুগী অচুম অরান খন্থুঙম্বা ৱাখল অদু য়াওদনা নুংঙাইবা থিবদি অচৌবা পাপ অমনি। ঐহাক নুংঙাইনা লৈনবা অতোপ্পবু ৱাহনবা, মীওইবা খুদিংনা তৌরিবা পাপ অমনি। লাল্লবরা?

মপূম ফাবা, অফবা মী ওইনবা মমা-মপা ওইবশিংনা মচাবু মহৈ তমহল্লি, মচাগী লৌশিং হেনগৎহল্লি। অশিংবা মী ওইহল্লি। করিগুম্বদা খনবীখ্রবরা - ইশাগী লৌশিং তানশিনবসু পাপকী মশক ওইরকই ইশাগী লমচৎ য়াওদ্রবা। মীওইবনা তানশিঞ্জবা লৌশিংগী থাক মখা পোন্না ওইরকই তোঙান তোঙানবা মী। মশাগী লমচৎ শেমদনা অৱাংবা থাক্কী লৌশিং ফংলবা মহাক অদুনা ওইরকই খ্বাইদই তমথিবা মী। অৱাংবা থাক্কী শেঞ্জা থুমজা তৌবা মী, ওইরমগনি য়েংবীয়ু - অৱাংবা থাক্কী মহৈ হৈবা মীশক অমা।

লল্লোন-ঈতিক য়াওদনা, খুন্নাই অমা চাউখৎপা ওইথোক্তবা অমনি। লল্লোন-ঈতিক্কী থবকসু পাপকী মশক ওইরকই, লল্লোনবা মী অদুনা মোরেলিতি য়াওরক্ত্রবা মতমদা। অচুম-অরান, অফ-ফত্ত খন্থদনা, মশাগী শেন্দোং তানবনা লল্লোনবই অথোয়বা মচৎনি, তৌফদবা অদুনি খন্নরকপসিদনি লৈপাকসিদা ঙসি ইনাকখুনবগা লায়রবগা অনীগী লাপ্পবা হেল্লক্লিবা। লৈপাকসিদা বিল্লিনিয়র মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা লায়রবা মশীংসু হেনগৎলকপা, পাপীশিংনা খুল্লিংলকপগী শক্তমনি।

মীওইবই মীনুংশি য়াওদনা সাইঙ্গনা চাউখৎলকপা, কথোকপই ৱাখল চেন্দনা ধর্ম্ম লৈবা হেনগৎলকপা - অসিগুম্বা পাপীশিংগী থবক ময়ামসিগী মথক্তা খ্বাইদই চাউবা পাপীদি - ঙসিগী পোলিতিসিয়নশিং অসিনি। মশাগী ফিদম য়াওদবা, মরৈবাকপু লুত তৌবা, মরৈবাকচাশিং লায়রহনবা, পোলিতিক্সপু শেন্দান লম্বী ওন্থোকপা, করপসনবু প্রোফেসন ওইহনবা ... অসিগুম্বা পোলিতিসিয়নশিংগী মীরোল অমা থুংলবা - অচুম্বগী যুগ লোইখিবা, ধর্ম্মগী মতম লোইখিদুনা পাপীশিংগী যুগ হৌবগী ময়েক লাবা পাউজেলনি।

লৌশিং পুক্কৈ

# খুৎ-শা শেংনা হাম্বগী তঙাইফদবা

মখল কয়াগী লায়না অমসুং মহীক-মতাইদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা লৌখৎপা য়াবা খ্বাইদগী মরুওইবা অমসুং অহানবা খোঙথাংদি খুৎ-শা শেংনা হামদোকপা হায়বসিনি। খুৎ মোৎলবদি মীওই অমদগী অতোপ্পা অমদা লায়না কয়া লৌনরকপা য়াই। সলমোনেলুগুম্বা গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল ইনফেক্সন অমসুং ইনফ্লুয়েঞ্জাগুম্বা রেস্পিরেটরি ইনফেক্সনশিং খুৎ মোৎপদগী লৌনরকপনি। গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল অমসুং রেস্পিরেটরি ইনফেক্সন মখলখরনা পীক্লিবা অঙাং অমসুং চহী য়াম্লবা অহলশিংদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই।

মীৎনা উবা ফংদ্রবসু অঙাংনা খোয়দানা শান্নরিবা শান্নপোৎশিংদা মহীক মশিং থীঙমদনা য়াওই। চারম-থক্লমদাই, টৌইলেট চঙলুরবা মতুং অমসুং শান্নরুরগা হল্লকপদা খুৎ-শা শেংনা হামদোকউ হায়না মমা-মপা ওইবশিংনা ফনা তোয়না হায়রবসু অঙাংনা খক থৌশাদে। অমুক অনীরক হায়বদা থৌশাদ্রে হায়দুনসু খক তোকথোক্লোইদবনি। হঞ্জিন হঞ্জিন হায়দুনা খুৎ হামহন্নবা হোৎনগদবনি। মরুওইনা চারম-থক্লমদাই, বাথরুমদগী থোক্লকপা, মফমদা পায়রুরগা মমিৎ, মনাতোন অমসুং মচিন্দা শোক্লুবা মতমদা লায়না কয়া পোক্লকপা য়াই। অদুদগী মথং মথং ইমুংদা লৈমিন্নরিবা অতৈ মীওইশিংদা লায়না নৎত্রগা শান্নরুরগা হল্লকপদা শেংনা খুৎ হামদোকহনগদবনি। মসিনা লায়না কয়া ঙাকথোকপদা চাউনা মতেং ওইগনি।

ইমুংদা মহীক মতাই শন্দোরক্নবগী লম্বী কয়ামরুম লৈ। খরদং পল্লবদা অমোৎ-অকায় পায়রুবা, দাইপর শিন্দোকলুবা, অনাবা মীগা শোক্ল-শম্নরুবা, লোক খুবা অমসুং হাকথি খনবা অসিনচিংবনি। অঙাংশিংনা খঙদবদগী মহীক মতাই চেনবা শন্দোকখিবা য়াই। মরম অদুনা খুৎ-শা তোয়না হামদোকপা হায়বসিনা ইচম-চম্বা লোক-লাইহৌদগী হৌরগা মেনিঞ্জাইটিস, ব্রোঙ্কাইটিস, ফ্লু, হেপাটাইসিস এ অমসুং দাইরিয়ানচিংবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা অহানবা অমসুং খ্বাইদগী মরুওইবা পাম্বৈনি।

খ্বাইদগী ফবদি সাপোন নোইরগা লুম্বু-লুম্বু শাবা ঈশিংদা খুৎ হাম্বনি। এন্টিবেক্টেরিয়ল সোপ নৎত্রবসু ইচম চম্বা সাপোন অমা নোইদুনা কোঙ্গোল থোকহল্লগা সেকেন্দ ২০ লোম শেংনা নোইগদবনি। য়ারিবমখৈ খুৎ কারক অমসুং খুজিন কারক য়ৌনা হামদোক্লগা টাৱেল অমনা শেংনা তৈথোক্কদবনি। মতৌ অসুম্না মীপুম খুদিংমক চাক চারমদাই, চাক থোংলমদাই, বাথরুম চঙলুরবা মতুং, ৱাইরম শীৎ-শেংলুরবা মতুং, য়ুমদা য়োকপা শাগী মনাক্তা চঙলুরবা মতুং, অনাবা মীগী মতেং পাংলুরবা মতুং অমসুং নাতোন পায়রুরবা মতুংদা শেংনা খুৎ হামদোক্লবদি লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি।

ইচম চম্না খুৎ-শা শেংনা হামদোকপগী কান্নবা অসি তরাইনা খক লৌরোইদবনি। য়াম্না তোয়না খুৎ-শা শেংনা হামদোল্লগা কংনা তৈথোকপা হায়বসিনা লায়না তীন্না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। করিগুম্বা সাপোন অমসুং ঈশিং লৈতবা মতাং থোক্লবদি চাদা ৬০গী চাংদা অলকোহোল য়াওবা হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নগদবনি।

কা-হেন্না খুৎ মোৎপা তারবদি হেন্দ সেনিটাইজর শীজিন্নবগী থোইদোকপা কান্নবা লৈরোই। অমোৎ অকায় পায়রুবদগী কা হেন্না খুৎ মোৎপা মতমদদি সাপোন নোইরগা লুম্বু লুম্বু শাবা ঈশিংদা খুৎ হামদোকপনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি। খুদোপ অমসুং খুদাং ঘড়ীনচিংবা লৌথোক্লগা শেংনা কাচিন কোয়া য়ৌনা খুৎ হামদোক্কদবনি।

খুৎ হাম্বা হায়বসি লু-নান্না লৈনবগী শরুক অমখক্তনি। মখল খুদিংমক্কী ইনফেক্সন মায়োক্লবদা উনশানা মরুওইবা থৌদাং লৌবা মরম্না য়ারিবমখৈ উনশাবু লু-নান্না থম্নবা হোৎনগদবনি। য়ারিবমখৈ তোয়না খুৎ হাম্বগা লোয়ননা হেন্দ ক্রিম অমা তৈবা মথৌ তাই।





# রিমস অমদি লাঙ্গোল ভিয়্যুদা অঙাং উনবদা নুপী অনী লৈখিদ্রে, রিমসতা ঈরাং থোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৬(ঐচ এন এস): রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) তা অঙাং উন্নখ্রবা মতুংদা মমানা শিরগা মচানা হিংহৌরে। থৌদোক অদু দোক্তরনা চেকশিন্দবনি হায়না মরাল শীরদুনা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা রিমসকী গাইনিগী দোক্তরগী মথক্তা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা ঈরাং থোক্কে তৌবদা পুলিসনা কন্ট্রোল তৌখ্রে।

লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমীং সিনাম ওংবী ইচন (২৭) মপুরোয়বা সিনাম কিরনচন্দ্র এলিয়জ ইঙো কৌই। মহাক অৱাং সেকমাই কৌজেংলৈমদা লৈবনি হায়রি। মীশি অসিগী মতাংদা জে এ সী অমা শেম্বগা লোয়ননা মথৌ চেকশিন্দবা দোক্তর অদু এক্সন লৌখৎত্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোই হায়দুনা অশিবা হকচাং অদু হৌজিক রিমসকী মোর্গতা লৈরি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা জে এ সী অসিগী কনভিনর খ্বাইরাকপম শিলামনিনা ফোঙদোরকপদা, থা অসিগী ২১ দা রিমস হোস্পিটালদা সিনাম ওংবী ইচন রিমসকী ও পি দিদা মশা ৱাই শংদবদগী চেক তৌবা লাকখি। অদুবু দোক্তরনা হোস্পিটাল অসিদা লৈনবা খঙহল্লকপদগী নুমিৎতুদা রিমসকী গাইনি ৱার্দকী বেদ নম্বর ২৭ এদমিট তৌদুনা লৈখি। মদুগী মতুংদা ঙরাং অয়ুক পুং ১১ রোম তাবা মতমদা অঙাং উন্নবগীদমক চাবোকশঙদা পুশিনখি হায়রি।

নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৫.৩০ রোম তাবা মতমদা অঙাং নুপীমচা অমা নোর্মেন ওইনা পোকখি হায়রি। দোক্তরনা অঙাং নুপীমচা অমা পোক্লে হায়দুনা ইমুং-মনুংদা য়েংহনখি হায়রি। নুপী অদু বেদতা পুশিল্লবা মতুংদা মশা শ্বর হোনবা ৱারে অমদি মশাসু শিথরে হায়দুনা দোক্তরগী রুমদা চঙদুনা পেসেন্ট কাঙবুনা রিপোর্ট তৌখি। অহানবা কৌবদা দোক্তর অদু লাকখিদে। অনীরকশুবা ওইনা কৌরুবদা দোক্তর লাক্তুনা য়েংবদা নুপী অদুগী মশা অদু ফিভম শোকচিল্লম্বদগী খুদক্তা আই সী রুমদা পুশিন্দুনা ওক্সিজেন থাজিনখি হায়রি। নুমিদাংগী পুং ৭.৪৫ রোম তাবা মতমদা অঙাংগী মমা অদু লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

পেসেন্ট কাঙবুনা খ্বায়দগী পেন্দ্রিবদি নুপী অদু লৈখিদ্রবা মতুংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং কৌশিল্লগা নখোয় নুপী অসিদা করি পীজরুই হংখি। অদুবু ওপরেসন রুমদা দোক্তরনা কনামত্তনা চঙহন্দবনা করিমত্তা পীজ-পীথক তৌখিদে হায়রি। দোক্তরনদি লংসতা ঈশিং হায়জিল্লকপদগী লৈখিদবনি হায়রি। অঙাং উন্নবা অদুদা কন্সর্ন ওইরিবা দোক্তর নুপী অদুসু য়াওখিদে। মহাক্কী মখা থাবা দোক্তরশিংনা অঙাং উনহনখি।

দোক্তর মশা য়াওরম্লগদি ইমুং-মনুংনা পেঞ্জরমগদবনি হায়রি।

মীশি অসিগী মতাংদা লৈকায়গী মীওইশিং য়াওনা রিমসকী ওথোরিটিগা ৱারী শাননবা হোৎনবদা পুলিসনা ঈরাং থোক্লকপা য়াই হায়না খনবদগী মীয়াম অদু তাম্থোকখি। অদুবু দোক্তর অমনা অশিবা হকচাং অসি পুথোক্লুবা অমদি মফম অসিদা কুইনা থম্বা য়াদবনা রিমসকী মোর্গতা থম্নবা খঙহনখি হায়রি।

মীশি অসিগী মতাংদা মথৌ চেকশিন্দবা দোক্তর অদুগী মথক্তা এক্সন লৌখৎত্রিবা ফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোই হায়রি। পোষ্ট মোর্তেমসু রিমসকী দোক্তরশিংনা তৌহল্লোই হায়রি।

লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী হকচাং অদু হৌজিক রিমসকী মোর্গতা লৈরি। লৈখিদ্রবী ইচন মমাংদা মচানুপী অমা পোকখ্রে। অঙাং অদু নোর্মেল ওইনা পোকখি। ঙরাং পোকখিবা অঙাং অদুসু নোর্মেলদা পোকপনি হায়রি।

অমরোমদা, অনীশুবা অঙাং উনবদা লৈখিদ্রবী নুপী অদুগী মমীং ক্ষেত্রিময়ুম প্রেমেশ্বরী (৩২) মপুরোইবা ক্ষেত্রিময়ুম রাজু কৌই। মহাক ককচিং মোইরাংথেম লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা, থা অসিগী ২১ গী অয়ুক পুং ১০ তাবা মতমদা প্রেমেশ্বরী মশা ৱাই শংদবদগী লম্ফেলদা লৈবা লাঙ্গোল ভিয়্যু হোস্পিটালদা অঙাং উননবা এদমিসন তৌখি। মথংগী নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬.৪০ রোম তাবা মতমদা অঙাং নুপামচা অমা ওপরেসন তৌদুনা পোকখি হায়রি। ওপরেসন লোয়রবা মতুংদা নুপী অদুগী মশা খরা শোন্থবা নত্তনা থোইদোকপা তৌরমদে। নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদা মশাদা চিকপা নাবা অমদি মপান থোকপদা মচু ওল্লকখি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা দোক্তর কৌরুবদা দোক্তরদু লৈরমদে হায়রি। মফম অদুদা দ্যুটি তৌরিবা নর্সশিংনা দোক্তর লাক্লগনি ঙাইহাক ঙায়বীয়ু হায়রকখি হায়রি। অমুক্কা হঞ্জিন্না কৌরুবদা দোক্তর য়ৌরক্লগনিদং হায়রগা দোক্তরদি শুক্লাক লাকখিদে হায়রি।

মতুংদা দোক্তর লাক্লগা নুপী অদু চেক তৌখি। মথং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা লাঙ্গোল ভিয়্যুগী দোক্তরনা নুপী অদু রিমস হোস্পিটালগী আই সী য়ুদা রিফর তৌখি হায়রি। রিমস হোস্পিটালদা রিফর তৌরকপা মতমদা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা দোক্তর মশাদি য়াওরকখিদে। এম্বুলেন্সতা ওইনা নর্সশিংনা পুরকখি হায়রি। রিমসকী দোক্তরনা ঈ ৱাৎলে হায়বদগী মহাক্কা চানবা ঈ অদু রিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা হংলুবদা লৈরমদবদগী শিজ হোস্পিটাল অমদি জেনিমস হোস্পিটালদা কন্টেক তৌদুনা ঈ লৌরগা কাপখি হায়রি। মদুগী মতুং থা অসিগী ২৪ গী নোংয়াই মতুং পুং ১২.১৫ রোম তাবা মতমদা নুপী অদু লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা লাঙ্গোল ভিয়্যুদা মরী লৈনবা দোক্তর মতম চানা লৈরমদবা, রিমসতা রিফর তৌরকপা মতমদসু মশা য়াওরক্তবা, মরি লৈনবা চে-চাং পীয়ু হায়বদু পীরকখিদে হায়রি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা দোক্তর অসিগী মথক্তা লোগী ওইবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি। অশিবা হকচাং অদু ঙসি রিমসকী মোর্গতা এগজিক্যুটিব মেজিষ্ট্রেট অমদি ভিদিও কোভরেজ য়াওনা পোষ্ট মোর্তেম তৌখ্রে হায়রি।

## মহৈরোয়শিংদা বেগ অমদি কলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৬(ঐচ এন এস): শ্রী এস এল দুগর চেরিটেবল ত্রষ্ট, লাল বাজার কোলকটাগী মতেঙগা লোয়ননা ঙসি য়ুম্নাম হুইদ্রোম গভর্নমেন্ট হায়স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা স্কুল বেগ, বোয় অমদি কলম্নচিংবা য়েন্থোকপগী থৌরম অমা য়ুম্নাম হুইদ্রোম কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা শীন দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইনকম টেক্সকী জোইন্ট কম্মিস্নর হুইদ্রোম রোবিন্দ্রো (আই আর এস) না চীফ গেষ্ট, স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর থৌনাওজম মঙলেম্বনা প্রসিদেন্ট অমসুং স্কুলগী অসিগী হান্না ওজা ওইরম্বদগী থবক্তগী পোত্থাখ্রবশিং অমদি হৌজিক হৌজিক স্কুল অসিদা ওজা ওইরিবশিংনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ গেষ্ট ওইখিবা হুইদ্রোম রোবিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না খুল অসিদগী হৌরকখিবা ওইবা অদুগা মহাক্কী মপাবুংনা স্কুল অসিদা ওজা অমা ওইনা থবক তৌরম্বা অদুদা স্কুল অসিবু নুংশিজবা লোয়ননা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংবু শেমগৎনিংবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। কোলকটাদা লৈবা চেরিটেবল ত্রষ্ট অমগী মতেঙগা লোয়ননা ঙসি মহৈরোয়শিং অসিদা স্কুলগী বেগ, বোয় অমদি কলম্নচিংবা অসি পীবনি। মসিনা স্কুলগী মহৈরোয়শিংদা মোটিবেসন পীবা অমদি করিগুম্বা অৱাৎপা অমা লৈবা মতমদা ঐখোয় লৈরি হায়না খঙহন্দুনা মখোয়গী পুক্নিং, থৌনা হাপ্পনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্কুল অসিগী হেদমাষ্টর থৌনাওজম মঙলেম্বনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি হুইদ্রোম রোবিন্দ্রোনা হোৎনদুনা স্কুল অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা পীরিবা পোৎলমশিং অসি মমল য়াম্না য়াম্বা অমদি স্কুল অসিগী ওইনা কাউঙল্লরোইদবা অদুগুম্বা নুমিৎ অমা ওইরগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মঙলেম্বনা তৌরিবা থবক থৌরমশিং অসিনা স্কুল অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা অচৌবা ঈনোৎ অমা পীরগনি। তুংদসু মাগী পুন্সি মায় পাকপা ওইসনু হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ফেষ্টিবেল ওফ হিন্দুস্থানি এন্দ কার্নাটিক ম্যুজিক পাঙথোকপা হৌখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৬(ঐচ এন এস): সঙ্গীট নাটক একাদেমী, ন্যু দিল্লি, মিনিষ্ট্রি ওফ কলচর, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী মণিপুর অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৬ তগী ২৮ ফাওবা চত্থগদবা ফেষ্টিবেল পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমী, মণিপুরগী দিরেক্তর এল উপেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, নুমিৎ হুমনি চত্থগদবা হিন্দুস্থানি অমসুং কার্নাটিক ম্যুজিক ফেষ্টিবেল অসিদা মরুওইবা ম্যুজিসিয়ন জীতে বশ্মাটরি, অসাম হিন্দুস্থানি ভোকেল, পুন্যা শ্রীনিভাস, টামিলনাদু, কার্নাটিক ইন্সত্রুমেন্টেল ম্যুজিক ভীমা, অশ্বীনি ভিদে দেস পান্দে, মহারাষ্ট্রা হিন্দুস্থানি ভোকেল, মহিসুর নাগমনি শ্রীনাথ, কর্নাটকা, কার্নাটিক ভোকেল, অরুন কুমার ভাট, উত্তর প্রদেশ, তাল ভদ্যা কচেরি, মধুপ মুধগল দিল্লি হিন্দুস্থানি ভোকেল, ভাইধ্যানাথন এন্দ গ্রুপস, তামিলনাদু, তাল ভদ্যা কাচেরি, কুশল দাস, ৱেষ্ট বেঙ্গল, হিন্দুস্থানি ইন্সত্রুমেন্টেল ম্যুজিক, সিটার অমসুং মণিপুরগী এল দেবেন্দ্রজিৎ শর্ম্মা, হিন্দুস্থানি ভোকেলদা লাম্থোক্কনি।

## দ্রোইং কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৬(ঐচ এন এস): প্রাইমারি হেল্ঠ সেন্তর (পী ঐচ সী) ককৱা অমদি ৱাইখোম লৈকায় গভর্নমেন্ট অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগা খুৎশম্নরগা মহৈরোয়শিংগী ওইবা লাইয়েকপা চাংদম্নবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

ৱাইখোম লৈকায় গভর্নমেন্ট অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ক্লাস ফাইভতগী আইট ফাওবগী লাই য়েকপা চাংদম্নবগী থৌরম অদু প্রিভেন্সিব মীজর্স টু এভোইদ মেলেরিয়া হায়বা থিমদনি। লাই য়েকপা চাংদম্নবগী থৌরম অদুদা স্কুল অসিগী ক্লাস সীক্স তল্লিবা মহৈরোয় অকোয়জম নিসিতানা ফষ্ট পোজিসন, স্কুল অসিমক্কী ক্লাস আইট তল্লিবা মহৈরোয় লাইশ্রম জুরজিৎ অমদি ক্লাস সিক্সকী মহৈরোয় থোংঙম জেনিটানা সেকেন্দ অমদি থর্দ পোজিসন তাখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মহৈরোয়শিংগী লাই য়েকপা চাংদম্নবা অদুদা মকোক মথং তাখ্রবা মহৈরোয়শিংদা স্কুল অসিগী হেদ মিষ্ট্রেসনা মনা পীদুনা পুক্নিং থৌগৎখি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।